ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ০৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৭৯শুবা মশীং


# জুকো ভেল্লিদা লাম্মৈ চাকপা

## দি সীনা লুচিংবা টিমদা অথিংবা পীরকখিবা থৌওং তরাইনা লৌহন্নিংদে

মণিপুর অমসুং য়ুম্লোন্নরিবা নাগালেন্দ অনীগী মরক্তা লমখৈ চয়েৎনবা লৈরিবা জুকো ভেল্লিদা হৌখিবা দিসেম্বর ২৯দগী লাম্মৈ চাল্লকপদগী মণিপুরগী শরুক কয়া য়াওনা চাউনা অমাঙ-অতা থোক্লে। নাগালেন্দগী ঙমখৈগী শরুক্তা চাকপা লাম্মৈদি অয়াম্বা শরুকশিং মুত্থৎপা ঙমখ্রে। অদুবু মণিপুরগী ঙমখৈ মনুংদা লৈরিবা মাওরোম থংবা শরুক্তা লানশিল্লক্তুনা মৈ চাল্লিবা অদুদি মপুং ফানা মুত্থৎপা ঙমদনা লৈরি। লাম্মৈ অদু ইহান হান্না জুকো ভেল্লিগী খা থংবা শরুক্তা চাকপা হৌরকখিবনি। লাম্মৈ চাক্লে হেক খঙবগা নাগালেন্দগী ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মতেংগা লোয়ননা মৈ মুত্থৎননবা হোৎনখি। নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনসু লাম্মৈ চাল্লিবা অদুগী ফীভম য়েংশিনখি। দিসেম্বর ৩১দনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমার, দি জি পি, এল এম খৌতে অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, টি ঐচ কিরনকুমারগা লোয়ননা এরিয়ল সর্ভে চত্থদুনা য়েংশিনখিবনি। লোয়ননা নুমীৎ অদুমক্কী নুংথিলদা ফায়র ফাইটর ২০০ রোম জুকো ভেল্লিদা থুংদুনা মৈ মুত্থৎপগী থবক চত্থবা হৌখিবনি। লাম্মৈ অদু মাউন্ট ইশো রেঞ্জগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা চীংশাংদা লানশিল্লকখিবা ঙমদ্রবসু মাওগী মনিংথংবা শরুক্তদি মৈ অদু লানশিল্লকখি। মাওরোমদা লানশিল্লক্তুনা মৈ চাকখিবা অদুবুদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, মণিপুর পুলিস, এন দি আর এফ, এস দি আর এফ, মণিপুর ফায়র সর্ভিস অমসুং লোকল ভলন্টিয়রশিংনা কন্না হোৎনদুনা মুত্থৎপা ঙমখ্রবসু মাওগী মনিংথংবা শরুক্তা চাল্লিবা অদুদি মুত্থৎপা ঙমদনা লৈরি। চাল্লিবা মৈ অদু মুত্থৎননবগীদমক এন দি আর এফ,এস দি আর এফ, মণিপুর ফায়র সর্ভিস, মণিপুর পুলিস, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং লোকল ভলন্টিয়রশিংনা কন্না হোৎনরি। অথুবা মতমগী মনুংদা মৈ অদু মুত্থৎপা ঙমগনি হায়নসু পানরি।

জুকো ভেল্লিদা চাল্লিবা মৈ অসিবু মুত্থৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা এন দি আর এফকী ওফিসলশিংগী তঙাইফদবা চীঞ্জাকনচিংবা পীনবগীদমক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, টি ঐচ কিরনকুমারনা লুচিংলগা মণিপুর পুলিস য়াওনা জুকো তম্না চঙশিনবদা নাগালেন্দগী খুঞ্জাশিংনি হায়বা খুৎলায় পায়বা মীশিংনা মফম অদুদা চঙবা য়ারোই। জুকো ভেল্লি অসি নাগালেন্দগী লমনি হায়না লম্বীদা থৎখিবা অমদি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ ষ্টেট অনীগী মীওইশিংগী মরক্তা নিংঙাই-শংদাইনবা থোকখিবগী ভিদিও সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরে। ভিদিও অদুদা নাগালেন্দগী মীওইশিংনা ‘মণিপুরনা মফম অসিদা ঈরাং থোকহল্লে, জুকো ভেল্লি অসি নাগালেন্দগীনি, মফম অসিদা চঙবা য়ারোই, মণিপুরগী ওফিসল য়াওনা লাল্লিবশিং অদু হনখিবনা হেন্না অফবা ওইগনি’ হায়না ফোঙদোকখি। মদুদা মণিপুরগী খুঞ্জাশিংনা ‘নখোয় কনানো, নখোয়না মফম অসিদা থিংবগী মথৌ তাদে’ হায়বগী ৱাফমসু থমখি। দি সী, টি ঐচ কিরনকুমারনসু ঙমখৈগী মতাংদদি মণিপুর লৈঙাক অমসুং নাগালেন্দ লৈঙাক্কী মরক্তা ৱারী শানগদবনি। মৈ কনবা হায়বসি মরুওইবা থৌদাংনি। মফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা লাল্লিবসি মৈ চাল্লিবা অদু কন্নবগী থবক তৌরিবা এন দি আর এফকী ওফিসলশিংগী মতেং পাংননবা লাকপনি হায়না থমখিবনি। মমাঙথক্তসু জুকো ভেল্লিদা ট্রেকিং চৎখিবা মণিপুরী মচা ৮ নাগালেন্দ পুলিসনা ফাজিনখিবদগী ৱাথোক থোক্লখিবসু লৈখ্রবনি। নাগালেন্দ অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মরক্তসু লমখৈ অসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা লৈত্রি। মসিনা নাকল অনীমক্কী মরক্তা চয়েৎনবা অমদি অদুম্মক লৈরিবনি। হন্দকসু সেনাপতিগী দি সীনা লুচিংবা টিমদা অথিংবা পীরকখিবা থৌওং অসি লৈঙাক্না তরাইনা লৌহন্নিংদে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ইমা কৈথেল অহুম লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ময়াই চনবদগী কৈথেল ফম্বা হৌরগনি হায়বসি থাগৎনিংঙাইনি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হৌখিবা থা ৯ লোম মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেল অহুম অমদি মরিশুবা ইমা কৈথেল হাংহন্দনা লাকখিবনি। অদুবু ইমা কৈথেল অহুম অমদি মরিশুবা ইমা কৈথেল টেম্পররি মার্কেট হায়রগসু খঙনরিবা মফম অসিদসু ইমাশিংনা পোৎ-চৈ য়োন্দনা লাকখিবনি। কৈথেল মরি অসিগী অকোয়বদা ফম্বা দুকানশিংদি হৌ-খবা থা কয়াদগী রোটেসন নাইনা হাংহল্লি। অদুবু লাইবক থীবদি মরুওইবা ইমা কৈথেল মরি অসি ঙসি ফাওবা হাংহন্দনা লৈরক্লি। নুমীৎ নীনি-হুম্নিগী মমাংদা ইকাই খুম্নজরিবা লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা ইমা কৈথেল অহুম অসি শীৎ-শেংবা লোইদুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারীগী ময়াই চল্লকপদা কৈথেল ফম্বা য়ারগনি হায়রিবা ৱাফম অসি অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু ইমা কৈথেল অহুম অসিগী মনাক নক্লা লৈরিবা টেম্পররি মার্কেট হায়নসু খঙনরিবা মরিশুবা ইমা কৈথেল অসিদি ঙসি ফাওবা শেমজিন-শাজিনবগী থবক অমত্তা পায়খৎপীদনা লাক্লি। মরিশুবা ইমা কৈথেল অসি শেমজিন-শাজিনবীনবা হায়দুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা শেমজিনবীদ্রি। কৈথেল অসিদা নোং য়ুবা, ইলেক্ট্রিককী ফীভম অমদি তোঙান-তোঙানবা খূদোংচাদবা কয়া কৈথেল অসিদা ফল্লিবী ইমাশিংনা মায়োক্লরি। ইমা কৈথেল অহুম অসিদা কৈথেল ফম্বা য়ারগনি হায়বা তারকপদা মরিশুবা ইমা কৈথেলগী নুপীশিংনসু ফেব্রুৱারী থা অসিদা কৈথেল ফম্বা পাল্লি। মরম অদুনা ফেব্রুৱারী ময়াই চল্লকপা ফাওবগী মনুংদা কৈথেল অসিসু তঙাইফদনা শেম্বী-শাবীয়ু।

*অদোমগী - থোকচোম তোম্বীসনা, ইম্ফাল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) “কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?” মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - “নাপনগা লোয়ননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।”

৩) “লুপথখ্রবা হিনাউ” হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) “সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী’ হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) “চায়নরোল” হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইমা কৈথেলশিং হাংদোকপীবা মতম ওইদ্রিবরা?

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৩৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হৌজিকমকসু মীয়াম্না মীপায়বা পোক্লরিবা কোভিদ-১৯না নাবগী চাং শিংথাবা য়ানা হন্থরক্লগসু শিবগী চাং অদুক হাক্না হন্থবা ওইদ্রি। নহান নুমিদাংদগী ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.২০ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং ইন্দিয়াগী ওইনা ২২,০৯০ হেনগৎলকখি। লৈখিদবগী মশীংসু পূন্না ১,৪৯,৬৩১ শুখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু হায়রিবা লায়না অসিনা নাবদগী শিখিবা মশীং ৩৫৮ শুখ্রে। ফদুনা দিসচার্জ তৌখিবা মশীংনা ২৬,৮১৫ শুখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী মীওই ২০০/৩০০গী চাংদগী হেন্না নারম্বা অদুসু য়াম্না শাথীনা হন্থরক্লে। নহানদি মীওই ৩৮ খক্তমক পোজিটিভ ওইবগী পাউ লৈখি। মীয়াম পূম্নমক অদুক হাক্না মীপাইনবা হায়বদুদি ওইনরক্রে। মীয়াম পূম্নমক নোর্মেল লাইফতা হঞ্জিল্লকপা হৌনরক্লে।

কোভিদ-১৯গী লায়না মণিপুরদা চঙলকপা মতমদা মীয়াম পুম্বা অদুক্কী মতিক মীপায়নখি। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লাউথোরকপদা লৈরক কোন্সাং ফাওবদা শম্বল খানরক্তুনা অদুক্কী মতিক মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। পাউচে য়েন্থোক্লিবা হোকরশিং ফাওবদা য়ুমথোঙ খুদিং চঙবা য়াদদুনা মতম খরা পাউচে ফোঙবা লেপখি। অহুমশুবা মালেমগী লান লাক্লেফাওবা হায়নখি। লায়না অসিনা নাবগী চাং হান্নগা য়েংনরুরবদি অসুক্কী মতিক হন্থরক্লে হায়নরগসু মীপাইনীংঙাই অদুমক্তি ওইরি। হান্নগী কোভিদতগী হেন্না শাথীবা লায়না অমনা অমুক্তা লান্দারক্লে হায়দুনা য়ু কেদগী হৌরকপা লাইচৎ অদু খরমখৈদি হন্থরক্লে । অদুক হাক্না শাথীবা পাউদি ওইরক্তে। য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমনা এস আই আই অমসুং ভারত বাইওটেক্না পুথোকপা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবা য়ারে। ইন্দিয়াদা পুথোকচবা ভেক্সিননা মায় পাক্তুনা লায়েংবা ঙল্লগদি লায়না অসি শোয়দনা লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবদি লৈনরে।

অমরোমদসু অমুক লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিং স্কুল, কোলেজ কাবা ফংনরমদবা অদু টেন, ত্বেলভ অমদি গ্রেজুএট লেভেলগী ওইনা ক্লাস হৌবা য়ানবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা এস ও পি শেম্বা লোইখ্রে। অথুবা মতমদা মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বা ফংবগী মহাউ অদু ফংলগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখ্রে। মসিমকসু সেক্টর খুদিংমক্তা নোর্মেল লাইভতা হঞ্জিল্লকপগী খুদম ওইরগনি। লাইচৎ অসিনা মণিপুরদা হেক থুংলকপদগী মীয়াম পূম্বগী মথৌ চপ লেপখিদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লাকখিবা অদু শ্বর খরদি হোন্দোক্লবা হৌনখ্রবনি। মরু ওইনা লাইরিক তম্বীরিবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিংবু স্কুলদা থিন্দোক-থিনজিন, লৌথোক-লৌশিন তৌবিরিবা ত্রান্সপোর্টরশিং, পেসেঞ্জর পুদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরিবা ওটোরিক্সো, মেজিক টাটা অমদি গাড়ী অচৌবশিংদসু নোর্মেল লাইভ হল্লক্লবগী মায়ওন অমদা লাক্লে। প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংগী তোলোপ ফংনদবগী অৱাবা শোয়দনা কোক্লগনি হায়বগী আশা অমদি লৈরে। খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা হৌজিক ফাওবা শেন্দাল লম্বী থদৎপীখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা স্কুলগী ভেন দ্রাইভরশিংদসু শেম্থোক লম্বী লাক্লবগী নুংঙাইবা পাউনি হায়নীংদ্রি। মরমদি স্কুল কাগদৌরিবসি হায়র ক্লাসকী মহৈরোয়খক্তনি। ক্লাস মচাদগী হৌরগা নাইন ফাওবদি প্রমোসন পীদুনা মথক্কী ক্লাসশিংদা কানখ্রবা মতুং মথংগী সেসন হৌরকপা ঙাইবা তারি। মখোয়গী ওইনদি হৌখিবা থা ১০ অসি ভেন নৎত্রগা থিন্দোক থিনজিন তৌবগী ফী শুংফং ফংজদ্রবা কাঙবুনি। হৌজিকমকসু লৈত-লায়রগী অৱাবা মায়োক্লরিবা কাঙবুনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি। লৈঙাক অসিনসু মখোয়গীদমক মতেং মচা অমত্তং পাংবীবগী ৱা লৈত্রি। খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরিবশিংদি লৈঙাক্কী থবক তৌদবা তোলোপ চাহৌদবা প্রাইভেট ফার্মশিংদা থবক তৌবা ওন্ত্রপ্রেন্যুর ওইহৌদ্রবশিং অসিনা ওইরি। মপান লমদা থবক তৌরুবদগী তোক্তুনা মণিপুরদা হল্লক্লবশিংগী ওইনদি হৌজিকসু ককঙাওনদুনা লৈনরি। হান্না লমদম অসিদা থবক ফংদবা মশীং লাখ লাখনা খুজিং ওইদুনা লৈরিবা অসিগী মথক্তা অহেনবা পোৎলুম অমসু হাপচিল্লক্লি। মসিমক্তি ওম্থোক্লা হেন্না লাইবক থীবা হায়বদুনি।

অমরোমদসু অমুক লৌমী শিন্মী নৎত্রগা নোংমগী শেন্দাল লম্বী ওইজরিবা মীওইশিংগী ওইনা ফীভম খরদা কোমথোরক্তুনা শেম্থোক লম্বী লৈরকপা খরা খরদি হৌনরক্লগসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অহুমদা নোংমগী পোৎ চৈ য়োন্দুনা ইমুং মনুংদা মতেং ওইনবা ইমা ইবেলশিংগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা কৈথেল কাবা হৌনবগী মমি তাদবা অসিনি। ঙারি গলি, নাগামপাল পরেং, পাওনা বজার, থাঙ্গাল বজারনচিংবদদি এস ও পি ঙাক্তুনা পোৎ য়োনবা হৌনখিবা কুইরে। নোর্মেল লাইভতা হঞ্জিনখিবা অনৌবা ৱা ওইদ্রে। ইমা কৈথেলগী ওইনসু অনৌবা এস ও পি নীংথিনা ঙাক্তুনা পোৎফম ফম্বা হৌহনবা হৌজিক ফাওবা য়াখিরোইদ্রা হায়বসি হৌজিক্তি মায়কৈ কয়াদগী ঙাঙনরকপা কুইরে। হীরম শোমদা লৈঙাক্কী ওইবা অহেনবা মীৎয়েং চীংশিনবীবা চুম্মী। ইমা কৈথেলশিং খক্তদা থিংজিনবীরগা মায়কৈ মরিদা দুকানশিং কৃক-কৃক ইন্ননা হাংলিবা অসিনা করম্বা থৌশিলনো হায়বগী পেন্নদবা লৈরবনি। মরম অদুনা কোভিদ লাইচৎকী অকিবসু খরমখৈদি হন্থখ্রবা মরম্না অথুবা মতমদা ইমা কৈথেল হাংদোকপীদুনা পোৎফম ফম্বীরিবা ইমা ইবেলশিংগী অনৌবা মহাউ অদু ফংহল্লসি হায়নীংই। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ২২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা কোভিদকী মতাংদা য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমা হায়বা তারবদি দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা পেসেন্ট মশীং হন্থরকপদগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ৬ মখা তানা মথৌ তৌররোই, অহুম লৈখিদ্রে, অনৌবা কেস ৮১ থেংনখ্রে (চাম্মগী মখা তানা) হায়না পাউচেশিংদা ফোঙনখবসিনি। নুমিৎসি ফাওবদনা লৈখিদবা মশীং ৩৩২ শুখ্রে। মখা তারকপদা, ষ্টেটসিগী অমত্তা ঙাইরিবা এয়রপোর্টতা থুংলরিবা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরক্তুনা চাদা ১ রোমতমক ওইরকপা অমসুং পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ২দগী হন্থরবদি টার্গেটেদ টেষ্টিং তৌবগী মথৌ তাদে অদুনা এয়রপোর্টসিদা থুংলরিবা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌবগী থবক দিসেম্বর ১৮দগী লেপ্পলগনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভুমলুনমাংনা ওর্দর অমা থোকখি হায়বসিনি। মসিগা লোয়ননা হৌখিবা ওগষ্ট থাদগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্টশিং এদমিট তৌবগী মশীং তপ্না তপ্না হন্থরকখিবদগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা চ্যের লৌদুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৭তা পাঙথোকখবা অনীশুবা ষ্টেট ইন্টিগ্রেটেদ কোভিদ কোওর্দিনেসন মীফম্না তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টর তরুক খুদক্তগী মখা তানা মথৌ তৌহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবসিসু নুংঙাইবা পাউনি হায়দবা য়ারোই। মসিগা মরী লৈননা হেল্থ সর্ভিসেসগী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা দিসেম্বর ১৭তা ওর্দর অমা থোক্তুনা থিংজিনখ্রবা কোভিদ ক্যের সেন্টর ৬ অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা মৈত্রমদা লৈবা য়ুনাক্কো, লম্ফেলপাৎতা লৈবা আর দি ৱিং, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা বাল ভবন, থৌবালগীনা ৱাংজিংদা লৈবা লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, নোনেগী ওইনা রেংপাংদা লৈবা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমদি চুড়াচান্দপুরগীনা ন্যু লমকাদা লৈবা সাদভবনা মান্দপনি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্ট মতুংইন্না শিখিবা মীগী মশীং ৩৩৬, অপূনবা পোজিটিভ মশীংনা ২৭,৫৯৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন ২৪,২৬৬, সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলনা ৩,৩৩২), ফগৎলকপা জেনরেল পোপ্যুলেসননা ২২,৩৯০ অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলনা ৩১২২নি। হৌজিক লৈরিবা এক্টিভ কেস মশীংনা ১৭৫০নি হায়বসিনি।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি কোভিদকী অনাবা মশীং হন্থরকপসি তশেংনা ওইরবদি য়াম্না ফৈ। অদু নত্তদনা মশানা লায়নাসিনা নারক্লব্রা/নারক্কদৌরবা হায়না চিংনজবা মীওইশিংনা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদা চৎলবদি কৈরোই লৈকায়গী মীওইশিংনা খনখিগদবা পামদবা ৱাখল/চৎহন্নীংদবা থৌওং উৎলক্কদৌবদু খনবদগী চৎপগী মহুত্তা লৈঙাক্লসু য়ারবা হোম আইসোলেসন ফজনা নুমিৎ ১০নিদং তৌরবদি কোভিদকী অনাবা টেষ্ট তৌদ্রবসু য়ারে হায়না লৈঙাক্লা খঙহনখিবা লৈবনা লৈঙাক্তা হায়দ্রবসু ইমুংগী মীশিং তানরগা য়ুমদগী মপান থোক্তনা নুমিৎ ১০নিদং চেকশিন্না লৈরবদি অনাবসু ফবগা লোয়ননা মী অতোপ্পনসু খঙদ্রে হায়বা ৱাখলদগী ওইরম্বসু য়াই। মসিনা মরম ওইরগা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা এদমিট তৌনবা পেসেন্ট লাক্তবদগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ৬ থিংজিনবদা য়াওরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট (খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না পোজিটিভ ওইবগা লোয়ননা শিবগী মশীংসু য়াল্লিবা) কী মতাংদদি খজিক্তং খন্থহঞ্জনীংই। নাকল অমরোমদা অমুক হন্দক্তা বাই ইলেক্সন তৌখিবা কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা সিরো সর্ভিলেন্স/কোভিদ টেষ্ট তৌনবগী কেম্প হাংবদা লৈরিবা মীশিংগা চান্নদনা খরদমক থোরক্লগা অয়াম্বা মীওইশিংনা থোক্লরকখিবদুগী মরুমদা লৈঙাক্লা খঙদবা হোম আইসোলেসন তৌবা/অতোপ্পনা লান্না খনখিগনি খনবদগী লোৎশিনবা কয়া য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। থোকপু থোরকত্রবদি পেসেন্ট লৈতে হায়বা তাবনি।

লৈঙাক্কী কোভিদ ক্যের হোস্পিটাল জেনিমসতা ফাওবা পেসেন্টশিংগীদমক কয়া চেকশিনবীবা/চেকশিনবীদবগী মতাংদা কোভিদ পেসেন্ট ওইবী লৈশাবী অমনা মশাগী নীংশা (শ্বর) হোনবা ৱাবদুগীদমক ওক্সিজেনগী সিলিন্দর অশাংবদু য়াম্না ৱানা কনানসু মতেং পাংবীদনা ওন ওন্দুনা মাগী বেদ তান্না পুরকপগী থাগৎলকপা ভিদিওদু উরুবদা মীচম মীয়াম্না কয়াম পেল্লমগদগে হায়বসিনি। অদুগা নাকল অমরোমদা অমুক, হোম আইসোলেসন তৌরিবশিংবু লৈঙাক্কী ডাক্তরশিংনা থাঙ্গৈশেংনা কয়ারক চৎতুনা য়েংবীবা য়েংবীদবগী মতাংদা মশামকসু ডাক্তর ওইবা অমা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিঙৈদা লৈঙাক্কী ওইবা কোভিদ লায়েংনবা লৈরিবা ডাক্তরশিংনা নোংমতা ওইরবসু চৎতুনা ৱাহং পাউহং/লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীদবগী অশেংবা থৌদোক লৈখিব্রা হায়বসি লৈঙাক্না হেন্না খঙলিবনি। অমুকসু, কোভিদ ক্যের সেন্টর লৈঙাক্না হাংলিবশিং নৎত্রবসু খরদা লৈরিবা পেসেন্টশিংগী মরক্তা/মনাক্তা লৈঙাক্কী ডাক্তর মমিং মথা কনা চৎতুনা য়েংখিবা লৈব্রা হায়বসিনি। কোভিদ ক্যের সেন্টর খরদা পেসেন্ট ওইনা লৈরুবশিংগী ৱাকৎ কয়ামরুম পাউচেশিংদা ফোঙনখিবা লৈখ্রে। মদুদা য়াওখিবদি পেন্দবগী খোল্লাউ কয়ানি হায়বসি ইফোং ফোংলবনি।

হান্না কালেন থাগী মতমদা মী য়াম্না কোভিদ-১৯না নারকপা মশীংদগী নিংথমথা চঙলকপা ওক্টোবরদগী জন্যুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা অনাবা মীগী মশীং খংহেন হেনগৎলক্কনি, শিবা মীগী মশীংসু শোয়দনা হেল্লক্কনি হায়বসিনি। নবেম্বর থাদগী ইংবা হৌরকপদুনা হৌজিক ঈংবসি খঙহেন হেনজিল্লকপদগী হান্না অয়ূক অঙনবদগী অয়ূক্কী পুং ৬/৬.৩০ অদুগা নুংথিলগী মতমদনা পুং ৪.৩০দগীনা ৬.০০, নুমিদাংগী চাক তোল্লবা মতুংদনা পুং ৯.৩০ ফাওবদা ৱাকিং চৎনরম্বসি ঈংবগী চাং হেনগৎলকপদগী মতম অনীমক্তা মী খরা অদুক ৱাকিং চৎপা নত্তনা চৎনখিদ্রে। য়ূম য়ূমদা লৈনদুনা মশা ঈংহন্দনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা লৌখৎনদুনা লৈখিবননি খঙদে - কোভিদ-১৯গী অনাবা মশীং য়াম্না লায়েংনবা লাক্ত্রে হায়না লৈঙাক্না হায়রিবসি। হান্না খন্নরম্বা/ঙাঙনরম্বগা তায়োন্নবনি। অফবনি হায়বা তাই। কোভিদ পেসেন্ট লৈশিল্লক্তবদগী সেন্টর ৬ অহানবগী ওইনা থিংজিনখ্রে। হান্নদি কোভিদকী অনাবসি হেনমন্না কিনখিবদগী হেস্পিটালশিংদা অথু অকায়গী অনাবা পুখৎলকপদা/মশা ৱাই শংদবী পুখৎলকপদা কিবদগী য়েংবীয়ু য়াদবদগী শিখিবা খরা য়াওখ্রে। মসিগী দায়ত্ব লৈঙাক্লা পুফম থোকপ্রা/লায়েংগদবা ডাক্তরশিংনা দায়ত্ব ওইফম থোকপ্রা, অদুবু লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ডাক্তরশিংগী মথৌ থৌওইদবগী থোকপা থৌদোকশিংদি লৈঙাক্লা লৌফম থোক্লোইদ্রা?

তুংদা থোরকপা য়াবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯সি নত্তবা অনৌবা নৎত্রগা মখা তাবা মশক হোংদোকপা ভাইরসনা থোকহল্লকপা য়াবা অনাবশিং য়াওরকপা মতমদা পংকি কিদনা, মীচম মীয়ামদা অৱাবা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা তোঙানবা হোস্পিটাল ওইনা নৎত্রগা হৌজিক লৈনরিবা হোস্পিটালশিংদা তোঙানবা ব্লোক, মদুগীদা থবক তৌগদবা ডাক্তরশিংসু মশক খঙদোক্লগা পীবা য়াবা/ফংহনবা য়াবা ত্রেনিং তৌহনবীদুনা ইচম চম্বা লায়নানা নারবশিংবু কিবদগী লায়েংবীদবদগী শিফম থোক্তবদা শিখিবশিংগুম মতুংদা থোক্তনবা লৈঙাক্লা মাঙজৌননা শিনবীদুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎচহন্নীংই হায়না ৱারেংসি লোইশিল্লকপদা থমজরি। ●

# ওজা গাংমুমৈ কামৈ - নিংথম উনলেনলকসিদসু মুৎনাইদ্রবা নীংশিং শক্তম অমা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

অসুম্না হেক হেক তাইওন্নগল্লি - কনাগুম্বগী য়াইফরবা হরাউ তয়াম্বা নুমিৎ অদু কনাগুম্বগীদমক্তি অৱাবা মতাং অমা ওই। ঐগীসু অৱাবা থম্মোয় শোকপা নুমিৎ অমা লাকখি। মদো কনাগুম্বা খরগী মফমদদি ঐঙোন্দা ফাওখিবা চৈনাখোন্দু করি ওইদনা খল্লম্বসু য়াই। কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী ৫, ৱাকচীংগী ৭নি পানবা শগোলশেন নুমিৎনি। ঐগী অশেংবা ওজানি খঞ্জরিবা ওজা গাংমুমৈ কামৈ তাইবঙ শিন্থা তুংওইনরল্লগা মপুগী নাক্তা তিনখি। ঙসি হায়বা নুমিৎসিদা মহাক্কী থৱায় মিরেলনা নোকমি-নোকমি লাক্তুনা ঐখোয়গী ইরক্তা লেংদনা লৈরিবোই নীংই।

মায়থোঙ য়াম্বা পোত্থাবা লৈতনা মথৌ পাঙনবা হোৎনবদা নীংহন্নখিদবা লুচিংবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। পোলিটিক্স লুচিংবা, হিষ্টোরিয়ান নৎত্রগা অতোপ্পা অমা, লৌনীংবা মওংদা লৌজসনু, ঐবু হায়জৌ হায়রগদি মহাক অশেংবা ওজা হায়বদুমক্লি। মহৈরোয়শিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীরম্বা গুরুদুমক্লি। পঙহায় হায়জিনবা নত্তে। কুমজা ১৯৮১ লোইশিল্লমদাইদগী লোয়নরকখিবদুনা ওজাবু খঙজহৌবনি। মহাক্না লমজিংবীখিবা মহৈরোয় অমা ওইবা ফংজখিবগী চাউথোকচবা অসিদি অসুম্মক মুৎনাইদনা লৈরগনি। মীনুংশি চাউবা, মহৈরোয়শিংবু মচা মনাওমক্লি খনবা, থৌজাল হৈবা, ঙাকপী হৈবা, কথোকপা ঙম্বা, শোন্থরবা পূক্নিংবু থৌনা হাপ্পীবা ঙম্বা মহাকপু ওজা হায়বসি নত্তবা অতোপ্পা ৱাহৈ অমনা মহুৎ শিনবা ঙল্লরোই। মহাক্কী মহৈরোয়শিংনা মঙোন্দগী ফংজখিবদো লাইরিক্কী ওইবা লৌশিং জ্ঞান্দুখক্তমক ওইখিদে। মী অমা ওইনা পোক্লবদি মপুগী শিন্থা ইন্দুনা তাইবঙ খুন্নাইগীদমক করিগুম্বা খরা তৌফম থোকই হায়বসি মাগী অচেৎপা ৱাখল্লোন্নি। ফিদম্না মপূং ওইবা ৱাখল্লোন কয়াদো মরন্নাই ওইগে খক খনখিদে। মশাগী লৌশিং জ্ঞান অতোপ্পদা মরু ওইনা মহৈরোয়শিংদা পীথোকপগী পেনবা লৈতবা ওজানি। লৌবা হৈতবা ঐখোয়না লৌশিনবা ঙমহৌদবগী ৱাখক্লি। মহাক্লা পোলিটিক্সতা খোঙদারবসু মদুনা মাগী ওজা অমা ওইবগী মতিক ময়াইদু নমহৎপা ঙমখিদে। তোপ তোপ্পা মথৌনা মরৌশিংনি হায়দবা ঙল্লোই। মীখলদা মায় পাক্তুনা মিনিষ্টর ওইখি। থোইনা হেন্না শীংথানীংবদি মদুনা মণিপুর পুৱারীগী খোঙ্গুল লীদুনা মরী লৈনবা লাইরিক পুথোকপগী থবক লেপহনবা ঙমখিদবদুনি। মহাক্কী খোর্জেগী মপাঙ্গল কৈদৌনুংদসু করিগুম্বা শাফু অমত্তনসু ময়াই চমহনখিদমাল্লে। মহাক ইবা লেপখিদে। মতম লৈবা খুদিংমক্তা ওজা অমগী মগুনদু ঙাক্লা চৎখি। অচৌ পিশক, জাৎ-বিজাৎ, কাঙলূপ, লাইনীং লাইচৎকী খেন্নবা থমখিদবা পূম্নমকপু চপ মান্ননা য়েংবা ঙম্বা মীশক অমগী মমিং পীয়ু হায়রবদি মহাক্লি হায়গনি। মসি ঐনা চহী কয়া ওজাগী মতুং ইঞ্জদুনা ইথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনরকখিবদুনা খঙহল্লকখিবনি।

ওজাগা থেংনদ্রিঙৈ খা মণিপুর কোলেজ, ককচীংদা বি এ তম্লিঙৈদা ওজাগী মিংলেন তাবা ফংজখ্রবসু থোইদোক্লা পূক্নিং লুপশিল্লুদে। কুমজা ১৯৮১ লোইরমদাইদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ হিষ্ট্রি তম্লবগীদমক লৌবা ইন্টরভিয়ুদা ওজাবু ইহান হান্না শকউনবা ফংজখি। অহানবদা খঙখিদে, ক্লাস হৌরবা মতুংদা খঙলকপনি। মোমোন মোমোন নোক্লন্দুনা হংলকপা ৱাহংশিংদু মরু ওইনা বেদ, বুদ্ধিজম, গুপ্ত, লিটরেচর, জৈনিজমনচিংবনি। হায়দোকপদা ইকায়বা ৱানি, তশেংবমক্তি নুমিত্তুদা মাবু ব্রাহ্মন ওইরবোই খল্লুবনি। ওজাগী ৱাখল্লোন্দা থোইনা হেন্না কল্লকচবদি ফুরুপ খুদিংমক্কী লাইনীং-লাইচৎ, নাৎ-কলচর, চৎনরোল খুদিংমকপু ইকায়খুম্নবা ঙম্বসিনি। অঙনবা মণিপুর পুৱারীগী লীক্লম থিবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবনি। মহাক পোলিটিক্সকী লুচিংবা অমনি। লোয়নজরুবনা মসিমদি খঙবা ঙমজ খিবদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমকপু মহাক্না ইকায়খুম্নখি। ঙসি ফাওবা ঐগী থম্মোয়দা মতম খুদিংমক্তা ৱাহং অমা হংদুনা লৈরি। মহাক মশামক্তি মীখলগী মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা মতমনি, ঐহাক মাগী লমতাক মখাদা রিসর্চ তৌরি। অহুল্লক্লি ওজানা হায়বীরম্বদু, *“প্রমো পোলিটিক্সতা খোঙদাগে খনগনু, মসিদি দর্টি গেমনি।”* ঐ করিসু হায়দে, মঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা লৈ। ঐগী ৱাখলদু খঙবমাল্লে, শেংদোরকই, *“ঐদি চঙশিল্লুরবনা হন্দোকপা ঙমদ্রে। চক্রুভ্য চঙলুরবনি।”* তশেংবমক্তি নুং-পান খেন্নবা পোলিটিক্সকী শক্লোনবু য়ানীংখিদবা ওইরম্বসু য়াই।

অদুক কুইবা কুমজা ১৯৮১দগী লোয়নরকপদুদা অমুক্তং শাউবা থেংনখি। হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টতনি নুমিৎতুদা মহৈরোয় অমগা য়াম্না কন্না মরৈ তৌনরকখি। ময়াম্না খামদোক্লরমদ্রবদি খূৎ য়াওনবা য়াবগী ফীভম য়ৌখি। মহৈরোয় অদুবু মমান্নবশিংনা পুথোক্লগা ওজাদা মরাল য়াজনবা থেল্লম্মী। মহাক য়াবা কৌবা লৈখিদে। ওজাগী পুকচেল খঙবা ঙাক্লি, থকসি খাসি নাইদবা মতৌদুদা ঐখোয় পূম্নমক শাউরম্মী। তাঞ্জাদুদা ওজাদো মোমোন মোমোন নোক্লগা মাগী কাদগী থোরকই। ঐখোয় তূমিন-তূমিন লৈনরম্মী। য়াম্না থাজদবা মওংদনি অশাউবা নেমদ্রিবা মহৈরোয় অদু থাগোন্নদুনা মাগী কাদা পুশিনখি। মহৈরোয় অদুনা মচিন থোক্লা হায়জদ্রবসু ওজানা মাবু ঙাকপীখ্রে। নোংমা মতাং চাবদা ৱাফমদু হৌদোক্লুই, মোং হাদনা খুমদোরকখি, *“মহাক ঐগী মহৈরোয়নি। খঙদবদগী লান্না লৌনদুনা অসিগুম্বসি হেক হেক থোকল্লি। কমপ্রোমাইজ ইজ দ বেষ্ট”* অপোকপা মপা অমনা মচাগী মফমদা মলোম থমদবদুমক্লি। অশেংবা ওজা অমগী মতিক মগুন অদুনি হায়দবা ঙল্লোই। মীবু হুল্লান্দুনা ঙাঙবা য়াদবা মীশকনি হায়বসিমদি তশেংলবা ৱাফমনি।

কুমজা ২০১৮কী জন্যুৱারী ৫দা ওজাগী ফার্ষ্ট দেথ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন ফঙ্কসন য়াওজরুই। কৈথেনমানবীগী নামচীংদনি। নামচীং মশাইকোন্দা লৈরোন চনখিবা মফমদুদা ওজানা লেঙদনা লৈরি হায়বসি পূক্নিংদা ফাওরকখি। মহাক্লা তত্তনা হায়বীখিবা ৱাহৈশিংগী খোন্থাং য়ৈরকখি, *“থবক লেপকনু, মণিপুর ইতিহাস অমদি কলচরবু মীয়ামদা মশক তাকপা হায়বসে ঐখোয়গী ইথৌনি।”* মহাক ঐখোয়গী ইরক্তা লেঙদনা লৈরি মরমদি মহাক্লা থল্লম্বা লাইরিক অমদি নীংশিং খুদম কয়া থম্বীরল্লে। মহাক্কী খোঙ্গুল মমি মুৎনাইদনা লৈরগনি। শেলবু মীহৌদনবা ইতৎ তত্তনা ফাগি তৌই, *‘কাঙলোন চুম্না থবক পাঙথোক্লবদি শেলনা নঙবু তান্নরক্কনি, মাবু তান্নরুরবদি অদুম্মক চেনখিগনি।”* পূম্নমক্তো লাইৱা ওইরক্লে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।